# ফিলিপিন্সকী খা থংবা শরুক্তা য়ুহা কন্না হাখ্রে, মীওই ৬ শিখ্রে, ১২০ হেন্না শোকখ্রে



সুরিগাও সিটি, ফিলিপিন্স, ফেব্রুৱারী ১১ : মপাঙ্গল লৈরবা য়ুহা হাবা অমনা ঙরাং অহিং ফিলিপিন্সকী খা থংবা শরুক নিকহনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখ্রে, ১২০ শোকখ্রে অমসুং মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চেন্নখ্রে হায়রি।

য়ুহা হাখিবা মতুং থাংজ নুমিৎতা রেস্ক্যু ৱারর্করশিংনা য়ুম-কৈনচিংবগী অকায়-অতোই মরক্তা হিংহৌবা মীশিং থিখি।

মেগনিচ্যুদ ৬.৭ য়ৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অথেংবগী য়ুহা হাবদুনা সুরিগাও দেল নোর্টে প্রোভিন্সতা মীশিংবু তুম্লম্বদগী খঙহৌদনা মীৎকপ থোকহনখি অমসুং মীপাইরবা মীওই কয়ানা ময়ুম-ময়ুমদগী চেন্থোক্লখি। অফটরসোকশিংনা সাউদর্ন সুরিগাও টাউনবু মখা তানা নিকহনখিবগা লোয়নন মীশিংনা অহিং চূপ্পা মচি-মচিদা পুল্লপ পুল্লপ তাশিন্নদুনা লেনখি।

য়ুহা হাবা অদু প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেলসু ওইরিবা সুরিগাওদগী অৱাং নোংপোকলোমদা মাইল ৮লোম লাপ্পা মফমদা মাইল ৮ দমক লুথনা থোকখিবনি হায়না ফিলিপিন্স ইন্সটিট্যুট ওফ সাইজমোলোজি এন্দ ভোলকেনোগী রেনাটো সোলিদমনা হায়খি।

প্রোভিন্সিয়ল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসর সরামোন গোতিঙ্গানা হায়খি মদুদি, শিখিবা অয়াম্বা অকায়-অতোইগী পোৎলমশিং মশাদা তাশিনবদগীনি। তৌইগুম্বসুং অহল ওইরবা মীওই অমদি ময়ুমগী মথক থংবা ফ্লোর নিংখায়বদগী মশা পুম্বা লুনা ফুমখি। রেস্ক্যু টিমশিংনা অহিংচূপ্পা অকায়-অতোই মপৈ মরক্তা তৌবদা মহাকপু হিংনা রিকোভর তৌবা ঙমখিদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চহী ৮০ গী নুপী অমনা হার্ট এটেক তৌদুনা শিখি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নন অরুবা ফীভম ৫ য়াওনা মীওই ১২৬ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না গোতিঙ্গানা ফোঙদোকখি।


য়ুহা হাবা অদুনা সিটিগী খ্বাইদগী চাউবা ষ্ট্রকচরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ষ্টোরি অনীগী গাইসানো মোল য়াওনা বিল্ডিং কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখি অমসুং থোংনাউ কয়া কায়হনখি অমসুং অথৌবা-মচেক নাইবা গ্লাস অমসুং মেটলনচিংবা পোৎশক কয়া লোয়নন য়ুম নিংখায়বগী অরুম্বা মচেৎ কয়া লম্বীদা চাইনা তারকখি।

অকনবা য়ুহা হাবা অদুদা থোং অমা মপুং ফানা নিংখায়খি অমসুং অতৈ অনীনা অমাঙ-অতা থোকখি। সিটিদা লৈবা এয়রক্রাফ্টকী রনৱে চেকখাইবদগী ফ্লাইট কয়া দাইভর্ট তৌখ্রে হায়না সিভিল দিফেন্স ওফিসনা ফোঙদোকখি।

‘ঐহাক্না মালেমসি পুংলোয় লোইরবোই নিংখি। লম্বী কয়া লাউনা চেকখাইরে’ হায়না সিটিদা লৈবা কালোর্স কানসেকোনা এ বি এস-সি বি এল টেলিভিজনদা হায়খি।

মীওই ১৫২,০০০ লৈবা কোষ্টেল সিটি অদুদা সুনামি লাকপা য়াই হায়না কিনবদগী মফমদুগী মীশিংনা মখোয়গী ময়ুমশিং থাদোক্তুনা অৱাংবা মফমশিংদা চেনখৎনখি।

# পাকিস্তানগা মরী লৈনবা য়ু এসকী পোলিসীশিং হোংলকপা য়াবগী ঈঙ্গিৎ লৈরে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১১ :

টেররিষ্টকী থবক থৌওং কয়া চথবগী পুৱারী লৈবা লৈবাক কয়াবু হকথেংননা শোকহনগদবা মওংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফোরন পোলিসীদা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা দোনাল্ড ত্রম্পনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিবু নিকহন্দুনা লাক্লি।

পাকিস্তানগা মরী লৈনবা য়ু এসকী পোলিসীদা অহোংবা লাকপা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমা য়ু এসকী ওথোরিটিশিংনা পীখ্রে। অফঘানিষ্টানদা য়ু এস অমসুং ইন্টরনেসনল ফোর্সশিংবু লুচিংলিবা আর্মি চীফ জোন নিকোলসননা পাকিস্তানগী মায়োক্তা খরা হেন্না কন্নবা পোলিসী অমা চৎনহনবা পামই হায়রি।

চহী কয়ামুক য়ু এসনা পাকিস্তানবু টেররগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা থাজবা য়াবা অমসুং য়ামনা নকশিন্নবা মীচং অমনি হায়না খন্নরম্মী। য়ু এসকী মিৎয়েংদা খঙহৌদনা অহোংবা লাকপসি লমদম অসিগী ওইনা খুদোংথীনিঙাই ওইবা য়াই মরমদি মদুনা এরিয়া অসিগী তং-তাবগী ফীভমদা অকায়বা পীবা য়াই। অফঘানিষ্টান অমসুং মসিগা য়ুমথংনবা লমদমশিং মালোমগী ওইনা ষ্টেবল ওইদবা এরিয়াশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খন্নে অমসুং লমদম অসিদা ষ্টেবিলিটি লৈহন্নবা য়ু এসনা মতেং খুদিংমক লৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

নিকোলসন্না সিনেট আর্মদ সার্ভিসেস কম্মিটিদা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গা পাকিস্তানগা লৈনরিবা অরুবা মরী অসি মপূম ওইবা মওংগী রিভ্যু অমা পাঙথোক্তুনা য়েংবা য়াই! হৌখিবা মতম খরসিদা য়ু এসনা অফঘানিষ্টানদা থম্বা লান্মীশিংগী মশিং হন্থহনখি অমসুং মদুগা ঈরোয়ননা পাকিস্তানদা শেলগী তেংবাঙ পীবসু হন্থখি।

# দোনাল্ড ত্রম্প, সিঞ্জো অবেনা য়ু এস-জপান মরী চেৎশিনহন্নবা অচেৎপা ফীরেপ লৌখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১১ :

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা দিফেন্স অমসুং ষ্ট্রেটেজিক মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখ্রে অমসুং লৈবাক অনীগী লল্লোন-ঈতিক হেন্না ফজবা মওংদা চত্থনবগী ৱাফমদা য়ানখ্রে।

‘ঐখোয় জপানগী সিক্যুরিটি অমসুং লৈবাক অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিব কন্ট্রোল মখাদা লৈবা এরিয়া খুদিংমক্কী সিক্যুরিটি লোয়নন ঐখোয়গী মরু ওইখ্রবা এলাইঅন্স অসিবু মখা তানা চেৎশিনহনবদা কম্মিট তৌই। য়ু এস-জপান এলাইঅন্স অসি পেসিফিক রিজনগী পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটিগী মরু ওইবা শক্তম অমনি’ হায়না ত্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা হ্বাইট হাউসতা অবেগা লোয়নন পাংথোকমিন্নবা প্রেস কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

লুচিংবা অনীগী মীফম লোইরবা মতুংদা ত্রম্পনা হায়খি, মদুদি জপান অমসুং য় এস অনীমক্না মখোয়গী দিফেন্স কেপবিলিটিশিং হেন্না ফবা ফীভম য়ৌনা শেমগৎ-শাগৎনবা এল্লাইঅন্স অদুদা মখা তানা চাউনা ইনভেষ্ট তৌগদবনি। মখোয়গী লীচিং মখাদা এলাইঅন্স অসি মতমগী মতুং ইন্না কনামত্তনা মুকশিল্লকপা অমদি হাইজিল্লকপা ঙম্লরোই।

ত্রম্পনা হায়খি, লৈবাক অনীনা মখল-মখা কয়াগী শিংনবশিং মায়োক্লরি অমসুং মখোয়বু য়েংশিনবদা বাইলেটরেল কোওপরেসনগী তঙাই ফদবা লৈ।

‘লৈবাক অনীমক্কী ওইবা ইন্টরেষ্টশিং য়েংদুনা ঐখোয়না পুন্না থবক তৌমিন্নগনি। নিংতম্না নেভিগেসন তৌবা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র থ্রেট ঙাকথোকমিন্নবা য়াওনা লমদম অসিদা ঐখোয়না লুনা লৌমিন্নবা ৱাফম কয়ামুক লৈ। ৱাফম অনীমকসি ঐহাক্না খ্বাইদগী হেন্না লুনা লৌই’ হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

# হান্নগী পালেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরবু লিবিয়াদা য়ু এনগী মিসন লুচিংহনবগী ৱাফম য়ু এসনা য়াখিদ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ফেব্রুৱারী ১১ :

লিবিয়াদা লৈবা য়ু এনগী পোলিটিকেল মিসনবু হান্নগী পালেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংহন্নবা থাংলকপা খোঙথাং অমা ইরাই নুমিৎতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থিংখ্রে। মীচং ইজরেলবু শৌগৎপা ওইনা অথিংবদু পীখিবনি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী এম্বেসেদর নিকি হেলিনা হায়খি, কুমজা ২০০৭ তগী কুমজা ২০১৩ ফাওবা পালেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা সালোম ফায়াদপু ফম অদুগীদমক এপোইন্ট তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা লেট্টর অমা থাখিবা উবদা ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন নিংবা কায়রে।

‘মতম কা হেন্না শাংনা য়ু এননা ফজদবা মওং অমদা ঐখোয়গী মীচং ইজরেলগী মায়োক্তা পালেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিবু শৌগৎতুনা লাকখি’ হায়না হেলিনা হায়খি।


পালেষ্টাইন অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সতা নন-মেম্বর ওবর্জাভর ষ্টেট অমনি অমসুং য়ু এনগী মেম্বর লৈবাক ১৯৩ গী মনুংদা ১৩৭ না মসিগী নিংতম্ববু শকখঙই। তৌইগুম্বসুং এম্বেসেদর হেলিনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক পালেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা রিকগনাইজ তৌদে নৎত্রগা ফায়াদপু এপোইন্ট তৌবদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মনুংদা পীগদৌরিবা সিগনেল অদু শৌগৎতে।

লন্নাই ওইনা খন্ন-নৈনবা ওইবনা মশক মমিং ফোঙবা পামদবা য়ু এনগী দিপ্লোমেটশিংনা হায়খি, পালেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিবু রিফোর্ম তৌবা অমসুং মসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা মহাক্না তৌখিবা থবক্তুগীদমক্তা ফায়াদপু নিংথিনা ঈকায় খুম্নে অমসুং লিবিয়াগী থবক্তুগীদমক্তা মহাকপু মার্টিন কোবলরগী মহুৎ শিলহনবগী ৱাফম সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অতৈ লৈবাক ১৪ না শৌগৎলি।

ফায়াদপু খনবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু হেলিনা মতম শাংলক্লবা ইজরেল-পালেষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্ট অদু ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনন লোইশিনহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।



# ইম্মিগ্রেসনগী পুংনৌ নৌবা ইগজিক্যুটিব ওর্দর অমা সাইন তৌনবা খন্নরি : দোনাল্ড ত্রম্প



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১১ :

মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক তরেৎকী সিটিজনশিংবু মতম খরগী ওইনা অমেরিকাদা চঙবা য়াহন্দনবা মহাক্না মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা ‘পুংনৌ নৌবা’ ইগজিক্যুটিব ওর্দর অমা সাইন তৌনবা খন্নরি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়খ্রে।

য়ু এসকী কোর্ট অমনা মহাক্কী ৱাথোক ওইরবা ত্রাভেল বেন চৎনহল্লু য়াখিদবা মতুং নোংমা লৈরগা মহাক্না ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

‘লাল অদু ঐখোয়না মায় পাক্কনি। লাইবক থীবদি খোঙথাং অসি চৎনবা য়াবা লো ওন্থোক্কবা হোৎনবদা মতম চঙবগী ৱাফম লৈ, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না লাল অদু ঙমগনি। ঐখোয়দা অতৈ ওপসনশিংসু লৈ, মখোয়গী মনুংদা পুংনৌ নৌবা ওর্দর অমা ফাইল তৌবগী ৱাফম য়াওরি হায়না ত্রম্পনা এন্দ্রুজ এয়রফোর্স বেজদগী মহাক্না ফ্লোরিদাদা চৎমিন্নরিবা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্কী প্লান অদু অনৌবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা ইস্যু তৌবগুম্বগী ৱাফমরা হায়না হংবদা ত্রম্পনা ‘মদুমক ওইবা য়াই’ হায়খি। সিক্যুরিটিগী মরমশিং লৈবদগী ঐখোয়না থুজিনবগী তঙাই ফদবা লৈ, অদুনা অনৌবা ইগজিক্যুটভ ওর্দর ওইবা য়াই।’

ত্রম্পনা হায়খি মদুদি, ৯শুবা য়ু এস সার্কিট কোর্টকী ৱারেপ্তু ইনবা ওইনা ‘মহাক্না করিগুম্বা এক্সন অমগা লোয়ননা রেসপোন্দ তৌনবা মথং চয়োল ফাওবা ঙাইবা য়াই।’ নিংথৌকাবা নৎত্রগা লৈবাকপোক ওইবা য়াই’ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইম্মিগ্রেসনগা মরী লৈনবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অদুদা সিক্যুরিটিগী খোঙথাংশিং য়াওবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লদুনা ত্রম্পনা হায়খি, সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফম লাকপদা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না অমসুং কূপ্না য়েংশিল্লি। মসি ঐহাক্না হেনবা ভেট্টিংনি হায়বসু য়াই, ঐখোয় সিক্যুরিটিগী মতাংদা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনৈ। ঐখোয়গী লৈবাক্তা অফবা মরমগীদমক্তা মী লাকহন্নিংই’ হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ৱারোল অসি সান ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা ৯সুবা য়ু এস সার্কিট কোর্ট ওফ আপিলসনা শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী ৱাথোক ওইরবা ত্রাভেল বেন চৎনহল্লু য়াখিদ্রবা মতুংদা ফোঙদোরকখিবনি। অপিলস কোর্টকী জজমেন্ট অদুনা মরম ওইদুনা মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক তরেৎকী সিটিজনশিংবু য়ু এসতা মখা তানা চৎপা য়াহল্লি।

# হোং কোংদা সবৱে ত্রেন অমা মৈ থাবদগী মীওই ১৮ শোকখ্রে



হোং কোং, ফেব্রুৱারী ১১ :

মমাঙগী অহিংদা হোং কোংগী সবৱেদা সার্ভিস তৌবা ত্রেন অমা মৈ থারম্বগী থৌদোক্তা মীওই ১৮ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ঙসি হোং কোং পুলিসনা হায়রি। পুলিসকী মতুং ইন্না মী চিনবা মতমদা চত্থখিবা ক্রাইম অদুগা মরী লৈননা মীওই অমা ফাগৎখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওই অহুম অরুবা ফীভমদা লৈবগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদগী মৈ থাবদুদা শীজিন্নখিবা পোৎশকনি হায়না চিংনবা ফায়র এক্সলরন্ট মহীসু লৌখৎখ্রে হায়রি।

পুলিসনা থৌদোক অদু টেররিষ্ট এটেক্নি হায়না লৌবা য়াবগী মওং উদে হায়খিবগা লোয়ননা মীওই অদুনা ক্রাইম অদু মথন্তা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। হৌজিক ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মহাক্কী ৱাখলগী ফীভম য়েংশিল্লি হায়রি।

ভিদিও ফুটেজনা ত্রেনগী কেরিয়েজ অমা মৈ চাকখৎলকখিবা মতমদুদা মী চিক্না-চাইনদনা তিনখিবা সিম সা সুই ষ্টেসনগী প্লেটফোর্মদা মথোং মরম খঙদবা ফীভম লৈবগী শক্তম উৎখি। মশাগী ফিজোল মৈ চাক্লবা নুপা অমা লৈমায়দা তাদুনা লৈবগা লোয়ননা মনাক্তা লেপ্লিবা মীওইশিংনা মঙোন্দা মতেং পাংনবা হোৎনখি।

কেবল টেলিভিজন ন্যুজদা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ইমেজশিংনসু ইমরজেন্সি পার্সনেল কাঙবুনা মী কনবগী ওপরেসনশিং চত্থবা অমসুং মশাদা মৈনা চাক্তুনা শোকপগী মফমশিং য়াওবা মীওই কয়া উৎখি।

‘ঐহাক্না হৌনা কপ-লাউবগী খোঞ্জেলশিং তাখি অমসুং মৈখু অমসুং মৈনিলগী মনমদু মহৌশাগী ওইবা মৈ চাকপগী মনম ওইখিদে, মদুদা কেমিকেলগী মনম য়াওখি’ হায়না চো কৌবা আইৱিটনেস অমনা থৌদোক থোকফমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

‘মৈখুদু ঐহাক্না হোঞ্জিনখিবা মতমদা, ঐহাক্কী খনাউ কন্না শাখি, মীয়াম্না ষ্টেসনদুদগী চেন্থোক্লখি’ হায়না চোনা ফোঙদোকখি। ত্রেন মৈ থাবগী থৌদোক্তুগা মরী লৈননা চিয়ুং কৌবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা মীওই অমা ফারে হায়না পুলিসনা ঙরাং ফোঙদোকখি হায়রি।

‘পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন অদুদা মীওইদুগী ৱাখলগী ফীভম য়েংশিনখি’ হায়না ঙসি গভর্ণমেন্টগী ৱারোল অমনা হায়খি।

পুলিস ছোর্স অমনা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টতা হায়খি মদুদি, সসপেক্ট অদু ইমুংগা খৎনবা লৈখি অমসুং হান্নসু গেম্বলিংগুম্বা মাইনর ক্রাইমশিংগা মরী লৈননা ফাখিবা লৈ।

মীওই অদুনা মোলোটোভ কোকাটেল অমা মৈ চাকহন্নবা হোৎনখি অমসুং বোটলদু লৌথোক্ত্রিঙৈদা ‘নখোয় মৈ থারগা হাৎকনি’ হায়রমখি হায়না এস এম পিনা মমাঙদা ফোঙদোকখি।

লোকেল মিদিয়াগী মতুং ইন্না সসপেক্ট অদুসু অরুবা ফীভমদা লৈ তৌইগুম্বসুং পুলিসনদি রিপোর্টসি কনফার্ম তৌখিদে। পোপ্যুলর সোপিং অমসুং নাইটলাইফ দিষ্ট্রিক্ট অমগী সার্ভিসতা লৈবা সিম সা সুই ষ্টেসন অদু থৌদোক্তুগী মতুংদা মী অমসুং পোৎ-চৈ কয়া হোন্দোকখিবদগী পুংহাং হাংখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment 2017 – Union Public Service Commission – Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017 (138 Vacancies) – Last Date 03 March

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017 for 138 Vacancies. Apply Online before 03 March 2017.

Advt. No. : 5/2017-GEOL

**UPSC Job Details :**
Post Name : Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017
No of Vacancy : 138 Posts
Category wise Vacancies :
Geologist, Group A : 40 Posts
Geophysicist, Group A : 40 Posts
Chemist Group A : 25 Posts
Junior Hydrogeologists (Scientist B), Group A : 33 Posts

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Geologist : Master's degree in Geological Science or Geology or Applied Geology or Geo-Exploration or Mineral Exploration or Engineering Geology or Marine Geology or Earth Science and Resource Management or Oceanography and Coastal Areas Studies or Petroleum Geosciences or Petroleum Exploration or Geochemistry or Geological Technology or Geophysical Technology from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India.
For Geophysicist : M.Sc. in Physics or Applied Physics or M.Sc. (Geophysics) or Integrated M.Sc. (Exploration Geophysics) or M.Sc (Applied Geophysics) or M.Sc. (Marine Geophysics) Or M.Sc. (Tech.) (Applied Geophysics) from a University incorporated by an Act of Parliament or State Legislature in India.
For Chemist : M. Sc. in Chemistry or Applied Chemistry or Analytical Chemistry from a University incorporated by an Act of Parliament or State Legislature or other educational Institutes.
For Junior Hydrogeologists : Master's degree in Geology or Applied Geology or Marine Geology from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India.
Nationality : Indian
Age Limit : minimum & maximum age limit is 21 to 32 years for Geologist, Geophysicist and Chemist and 21 to 35 years for Junior Hydrogeologists as on 01.01.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written examination & Interview/ Personality Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST candidates/Sons of JCOs/NCOs/ORs who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 08.02.2017 to 03.03.2017 till 18.00 hrs thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 08.02.2017
Last Date for Submission of UPSC recruitment Online Application : 03.03.2017
Last Date for Submission of Application fee by Challan : 02.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/GEOL_2017_Notification_English.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### SBI Recruitment 2017 – State Bank Of India – 2313 Probationary Officers (POs) Vacancies – Last Date 06 March

**SBI Recruitment 2017**
State bank of India invites Application for the post of 2313 Probationary Officers (POs) in State Bank of India. Apply Online before 06 March 2017.

Advt. No. : CRPD/PO/2016-17/19

**SBI Job Details :**
Post Name : Probationary Officers (POs)
No. of Vacancy : 2313 Posts
Pay Scale : Rs. 23700-42020/-
Categories wise Vacancies :
SC : 347 Posts
ST : 350 Posts
OBC : 606 Posts
GEN : 1010 Posts

**Eligibility Criteria for SBI Recruitment :**
Educational Qualification : Graduation in any discipline from a recognised University or any equivalent qualification recognised as such by the Central Government. Those who are in the Final year/Semester of their Graduation may also apply provisionally subject to the condition that, if called for interview, they will have to produce proof of having passed the graduation examination on or before 01.07.2017.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years as on 01.04.2017
Age Relaxation : OBC (Non Creamy Layer) Candidate 3 years, Scheduled Caste/ Scheduled Tribe 05 years & Persons With Disabilities (PWD) 10 years.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary Examination, Main Examination, Descriptive Test & Group Exercises.

**Application Fee :** SC/ST/PWD Candidates have to pay Rs.100/- and Rs. 600/- for General and Others through online mode of fee collection i.e. Internet Banking, Debit Cards (RuPay/ Visa/ Master Card/ Maestro), Credit Cards, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.
**How to Apply SBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.sbi.co.in form 07.02.2017 to 06.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 07.02.2017
Last Date for Submission of SBI Recruitment Online Application form : 06.03.2017
Date for Payment of Application Fees/Intimation Charges : 07.02.2017 to 06.03.2017
Date of Online Examination (Preliminary) : 29 & 30.04.2017 and 06 & 07.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.sbi.co.in/webfiles/uploads/files/SBI_PO_Rectruitment_ Eng_06022017.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/sbiposjan17/reg_start.php?msg=Application_is_not_yet_started.